# ভি কে সসিকালানা গভর্ণর উনদুনা টামিল নাদুগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌখ্রে





চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী):
এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবী ভি কে সসিকালানা ঙসি নুমিদাংৱাইরম রাজ ৱভনদা চৎতুনা গভর্ণর বিদ্যাসাগর রাওগা উনদুনা টামিল নাদুগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ক্লেম তৌখ্রে।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা ফম থাদোকপগী মতাংদা গভর্ণরদা পীশিনখিবা চেরোল অদু হন্দোকচরগে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা সসিকালানা হায়খিবনি মদুদি গভর্ণরনা মতম চানা মুম্বাইদগী হল্লকখিদবগী থৌওং অদু অতম্ননা ৱাশক লৌবগী থৌরম থিন্থহন্নবা থৌরাং তৌখিবনি।

মুম্বাইদা চৎখিবা গভর্ণরনা ঙসি চেন্নাইদা হল্লক্লবা থৌরাং তৌরম্বদগী মতম খরা মুম্বাইদা লৈথখিগনি হায়না ফোঙদোরকখি। থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা এ আই এ দি এম কেগী এম এল এশিং ন্যু দিল্লিদা চৎতুনা প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীগী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনখি। অদুবু অরোইবা পুংফমদা গভর্ণর মতম চানা হল্লক্লগনি হায়বা পাউ ফংবদগী এম এল এশিং খোঙফম হন্দোকখি।

জে জয়ললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা মতম খরগী ওইনা থৌ পুহনখিবা ক্যেরটেকর চীফ মিনিষ্টর ও পনিরসেলবমনা সসিকালাগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা সসিকালানা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, পনিরসেলবমনা দি এম কেগী মতেং লৌরগা অনৌবা গভর্ণমেন্ট শেমহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলে। এম এল এ ১২০ না শৌগৎলিবা মরম্না অথুবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। পার্টিগী মায়োক্তা লেপ্পুনা থাজবা মাঙহল্লিবা মীওই পুম্নমক্কী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা হোৎনগনি হায়নসু সসিকালানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ক্যেরটেকর চীফ মিনিষ্টর পনিরসেলবমনা হায়খি, কনানা চীফ মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বদু পার্টিগী এম এল এশিংনা লেপকদবনি। ন্যুজ চেন্নেল অমদা পীখিবা ইন্টরভিয়ুদা মহাক্না হায়খি, হাউসকী লৈমায়দা মহাকপু শৌগৎলিবা এম এল এশিং পুথোক্তুনা উৎলগনি। কনাগুম্বা মীওই খরনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকহন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং মায় পাকপা ঙমহল্লোই।

পনবা য়াবদি, জয়ললিতানা লৈখিদবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী সীটিং জজ অমনা লুচিংবা ইনক্বারি কম্মিসন শেমদুনা থিগৎহল্লগনি হায়না পনিরসেলবমনা ঙরাং ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

এপোলো হোস্পিটালদা নুমিৎ ৭৫ নি লায়কন্নরম্লবা মতুংদা জয়ললিতানা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা খঙহৌদনা লৈখিদবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী চিংননিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখি। জয়ললিতা লৈখিদ্রবা মতুংদা পনিরসেলবমবু ক্যেরটেকর চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহনখি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৫ দা পনিরসেলবমনা ফম থাদোকপগী চেরোল গভর্ণর সী বিদ্যাসাগর রাওদা পীশিনখি। গভর্ণরনসু ফম থাদোকপগী ৱাফম অয়াবা পীখি। নুমিৎ অদুমক্তদা ভি কে সসিকালাবু এ আই এ দি এম কে লেজিসলেচর পার্টিগী লীদর খনখিবগা লোয়নননা চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পনিরসেলবমনা জয়ললিতাগী মেমোরিএলদা মিনিট ৪০ রোম মেদিটেসন তৌদুনা লৈরম্রবা মতুংদা মহাক্না ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখিবা অদু কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিনদগীনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্না হায়খি, টামিল নাদুদা মীয়াম্না য়াবা গভর্ণমেন্ট শেম্বা মথৌ তাই। পার্টিগী মেম্বর অমসুং লেজিসলেটর অয়াম্বনা শৌগৎলিবা মরম্না মহাকপু চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী লৌথোকফম থোক্তে হায়না পনিরসেলবমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ভি কে সসিকালাগা ফম মুন্নবা হৌরকখ্রবা মতুংদা পনিরসেলবমনা হায়খি মদুদি, হৌজিকসু মহাক্না এ আই এ দি এম কেগী ট্রেজরর ওইরিবা মরম্না মহাক্কী অয়াবা য়াওদনা পার্টিগী ফন্দ বেঙ্কতগী লৌথোকপা য়ারোই। কনাগুম্বা মীওই অমত্তদা পার্টিগী ফন্দ লৌথোকপা য়াহনবীগনু হায়নসু মহাক্না বেঙ্কশিংদা অইবা চেরোল থাখি।

# প্রাইম মিনিষ্টরবু ইকায় খুম্নদবগীদমক কোংগ্রেসনা লাল্লে হায়জগদবনি : বি জে পি



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী):
কোংগ্রেসনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেনকায়া নাইদুনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরবু ইকায় খুম্নখিদবগা লোয়নননা পার্লিয়ামেন্টকী মীফমদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অপনবা থোক-হনখিবগীদমক কোংগ্রেসনা কন্দিসন য়াওদনা লাল্লে হায়জফম থোকই। ইন্দিয়া খক্তদা নৎতনা মালেমগী মফম পুম্নমক্তা ইকায় খুম্নরিবা প্রাইম মিনিষ্টরবু কোংগ্রেসনা ইকায় খুম্নদবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি।

পার্লিয়ামেন্টকী মীফম পাঙ-থোক্লিঙৈদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টরবু কয়ারক হন্না মমিং পনখিবগা লোয়নননা হিটলর, মসোলিনি অমসুং গদ্দাফিগা চাংদম্নখি।

কোংগ্রেস অমদি ওপোজিসন পার্টিনা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অতোপ্পা মীবু হুন্দুনা ঙাঙগে হায়রবদি অতোপ্পনা হুন্দুনা ঙাঙলকপা মতমদসু হরাও-হরাও তাবা তমগদবনি। রাজ্য সভাদা ঙরাং মহাক্না হায়খি, রেনকোট লিৎলগা ঈরুজবা ঙল্লিবসি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ মথন্তনি। ৱাফম অদু তাবদা কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টরবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা হাউসতগী মপান থোকখি।

প্রসিদেন্টনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী মীফমদা পীখিবা ৱারোল থাগৎপা ফোঙদোক্লবগী মোসন পুখৎলকপদা ওপোজিসন অমসুং রুলিংগী মরক্তা চাওনা য়েৎনবা থোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনন্তকুমারনা হায়খি মদুদি, ডা. মনমোহন সিংহগী মিংদা কোংগ্রেসনা অরানবা থৌওং কয়া চথখি। কোংগ্রেসনা লুচিংবা এন দি এনা চহী ১০ লৈঙাক পায়রিঙৈদা ২-জি স্কেম অমদি কোল স্কেমনচিংবা মখল কয়াগী ৱাথোকশিং থোকখি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ডা. মনমোহন সিংহবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। অদুবু কোংগ্রেস পার্টিনদি প্রাইম মিনিষ্টরবু হঞ্জিন-হঞ্জিন ইকায়বা পীবগা লোয়নননা কয়ারক হন্না হাউসকী মীফমদা অপনবা থোকহনখি।

শেঞ্জা-থুমজা মুত্থৎনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংবু পোলিটি-কেলগী ওইবা লাঞ্জং ওইনা লৌরোইদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবনি।

রাজ্য সভাদা মহাক্না হায়খি, শেঞ্জা-থুমজা অমদি ব্লেক মনিগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংবু পোলিটিকেলগী ওইবা লাঞ্জংনি হায়না লৌফম থোক্তে। নবেম্বর ৮ দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহন্দনবগী মতাংদা লৌখিবা ফিরেপ নৌনা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, থৌরাং অদুনা লৈবাক অসিগী লায়রবা অমদি পূকচেল শেংবা মীওইশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি। পূকচেল শেংদবা মীওইশিংগী মায়োক্তা অকনবা থৌরাং লৌখৎত্রিবমখৈদি পূকচেল শেংবা মীওইশিং চাউখৎপা ঙম্লোই। হন্দক্কী থৌরাং অসিনা কান্নবা ফংহনগদৌরিবসি লায়রবা মীয়ামনি।

রাজ্য সভাদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল মোসন ওফ থেঙ্কস পীবগী খন্নরকপদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং লৈবাক মীয়াম অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি। নাকল অরোমদনা, ওপোজিসন পার্টিশিংনা থৌরাং অদুগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি।

শেনয়েক অনী থিংখিবগী মতাংদা ওপোজিসননা রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই)বু পোলিটিক্সতা চিংশিনবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ওপোজিসন পার্টিশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর, গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরগী মথক্তা মরাল শীরকপদা অকায়বা লৈতে। অদুবু ৱাফম অসিদা আর বি আই চিংশিনবগী মথৌ তাদে। পুৱারীদা শেঞ্জা-থুমজা মুত্থৎনবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা লৌখৎখিবা থৌরাং অসিগা মান্নবা থৌরাং অমত্তা মালেমগী লৈবাক অমত্তনা লৌখৎপা লৈত্রি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# পাঙথোকখিবা অর্বান লোকেল বোদিগী মীখল চৎনদ্রে হায়না গভর্ণরনা লাউথোকখ্রে



দিমাপুর, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী):
অর্বান লোকেল বোদি (য়ু এল বি)শিংদা নুপীশিংগী রিজার্ভেসন পীবগা মরী লৈননা মীয়ামগী ঈহৌ লাকখ্রবা মতুংদা নাগালেন্দগী গভর্ণর পি বি অচারিয়ানা ঙসি ষ্টেট অসিদা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রে।

নাগালেন্দদা পাঙথোকখিবা অর্বান লোকেল বোদিশিংগী মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক চৎনররোই হায়না গভর্ণরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

য়ু এল বিশিংদা নুপীশিংগী সীট চাদা ৩৩ রিজার্ব তৌগদবনি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা মীয়ামগী ঈহৌ লাকপদগী মীওই অনী শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা কয়া অশোক-অপন নংখ্রবা মতুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ু এল বি ১২ দা পাঙথোক্কদবা মীখলগী থবক থৌরম লেপ্পবা খঙহনখি। মীয়ামগী পূক্লিং ঈথিল মতুংইন্না মীখলগী থবক থৌরম লেপ্পীনবা ইলেক্সন কম্মিসনদা হায়জরগনি হায়নসু ষ্টেট কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি।

দিমাপুরদা চীফ মিনিষ্টর জেলিয়াংগী ময়ুম তম্না চঙলকখিবা মীওইশিং পুলিসনা থিংনবা হোৎনরুবদা খুৎ থোক্ল-রকপদগী মীওই অনী শিবা লৈখ্রবনি। তোঙান-তোঙানবা নাগা ট্রাইবেল গ্রুপশিংনা পুল্লগা শেম্বা জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি (জে সী সী)না চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াং ফম থাদোক্লবা তকশিনখি। মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবনি হায়দুনা মথোং-মরম খঙদনা নোংমৈ কাপ্পুনা মীওই অনী শিহনখিবদা চেন্নবা পুলিস পার্সনেল মফম লৌথোক-পগা লোয়নননা দিমাপুরগী পুলিস কম্মিস্নরসু খুদক্তা ফম থাদোকহনগদবনি হায়না জে সী সীনা তকশিনখি।

ট্রাইবেল বোদিশিংনা অথিংবা পীরিঙৈগী চৈরক্তা য়ু এল বিগী মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরুবদগী কাঙলূপ অনী খুৎ থোক্লরকখি। ট্রাইবেল ওর্গনাইজেসনশিংনা মীখল বোইকোট তৌরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা টাউন কাউন্সিল ৯গী মীখল পাঙথোকখি। মীয়াম্না হৌরক্লিবা ঈহৌ অসিগীদমক য়েংলগা হায়রিবা মীখল অদু চৎনররোই হায়না গভর্ণরনা লাউথোকখি।

ট্রাইবেল গ্রুপশিংনা দিমাপুর, কোহিমা, মকোকচুং, ফেক, ত্বেনসাং, লোংলেং অমসুং ৱোখা দিষ্ট্রিক্টনচিংবদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা বন্দ কৌখিবদগী মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকখি। খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়ামরুম মৈ থাদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপদগী আর্মি থাজিন্দুনা মীয়ামগী ঈহৌ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

# বিজয় মালিয়া য়ুনাইটেদ ব্রিয়ুৱরিজ বোর্দতগী লৌথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী):
সিক্যুরিটিজ এন্দ এক্সচেঞ্জ বোর্দ ওফ ইন্দিয়া (এস ঈ বি আই) না য়াথং পীরকখ্রবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ব্রিয়ুৱরিজ (য়ু বি)না বিজয় মালিয়াবু নন-ইকজিক্যুটিব চ্যেরমেনগী ফমদগী লৌথোকখ্রে।



য়ু বি গ্রুপনা হায়খি মদুদি, এস ঈ বি আইনা বিজয় মালিয়াবু খুদক্তা মফম লৌথোক্লবা খঙহল্লকপা লৈখি। তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদগী দোল্লর বিলিয়ন অমরোম লোন ওইনা লৌখ্রগা মতম চানা শিংগৎতবগীদমক মমাঙ চহীগী মার্চ থাদা বিজয় মালিয়ানা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা বৃটেনদা চেনখি। ইনফোর্স-মেন্ট দিরেক্টোরেটকী ইনভেষ্টি-গেটরশিংনা কয়ারক হন্না কৌবদা লাকউ য়াখিদ্রবা মালিয়ানা বেঙ্কশিংদগী লৌখিবা শেনফম অয়াম্বা অরানবা মওংদা শীজিন্নখিবগী খুদম থেংনখি।

কর্নাটাকা হায় কোর্টনা য়ুনাইটেদ ব্রিয়ুৱরিজ হোল্ডিংস লিমিটেদ (য়ু বি ঐচ আই এল)গা মরী লৈনবা য়াথং অমা পীখ্রবা মতুংদা মালিয়াবু ফম অমত্তা পায়হন্দনবা থৌরাং লৌখৎখি।

হৌখিবা জান্যুৱারীদা কোর্টনা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদা বিজয় মালিয়াদগী দোল্লর বিলিয়ন অমরোম লৌখৎনবগী থবক পায়খৎপা হৌনবা খঙহনখিবগা লোয়নননা মহাক্না লুচিংবা কম্পেনিশিংগী মরন-মথুম লৌশিন্নবা য়াথং পীখি।

অমরোমদা, বিজয় মালিয়ানা লোন শিংগৎলক্তবগী মতাংদা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা মীওই ১১গী বেল এপ্লিকেসন হিয়ারিং চথুবা লোইখ্রে।

লোন লৌবগী মতাংদা বিজয় মালিয়াবু অরানবা মওংদা মতেং পাংখিবগীদমক মরাল লৈরে হায়রিবা মীওই ১১ মক আই দি বি আই অমদি কে এফ এদা থবক তৌরম্বা মীওই ঙাক্তনি। কিংফিশর এয়রলাইন্সনা বেঙ্কশিংদগী লুপা ক্রোর ৯০০ লোন লৌনবা হোৎনবদা আই দি বি আইগী ইমপ্লোয়িশিংনা অরানবা মওংদা মতেং পাংখি হায়না মরাল শীরি।

সী বি আইনা থাঙ্গৎলকখিবা চার্জসীট মতুংইন্না আই দি বি আইগী ওফিসল খরনা কিংফিশর এয়রলাইন্সকী ইমপ্লোয়ী খরগা লৌতুনদুনা বেঙ্কশিংদগী অরানবা মওংদা লোন লৌবগী থৌওং চথখিবনি।

সী বি আইনা শীরকখিবা মরালগী মতাংদা দিফেন্সকী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট অবাদ পোন্দানা হায়খি মদুদি কনাগুম্বা মীওই অমনা বেল পীবীনবা হায়জরকপা মতমদা মীওই অদুনা চেন্নরিবা কেসকী মেরিট অমসুং দিমেরিট নৈনফম থোক্তে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা, সী বি আইনা হায়খি, কুমজা ২০০৯ গী নবেম্বর ২৩ দা বিজয় মালিয়াগী য়ুনাইটেদ ব্রিয়ুৱরিজনা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংগা লৌতুনদুনা অরানবা মওংদা লোনগী শেনফম লৌথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখি।

দিফেন্সকী উকিল ওইনা লেপখিবা এদভোকেট রজিব চৱননা হায়খি, আই দি বি আইগী ওফিসল খরনা অরানবা মওংদা লৌতুনরগা বিজয় মালিয়াদা য়াল্লবা শেনফম অমা লোন ওইনা পীথোকখিনবা থৌরাং তৌখিবগী খুদম ফংলে হায়রিবসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। কনাগুম্বা মীওই অমদা লোন পীরমদায়দা বেঙ্ককী ক্রেদিট কম্মিটি অমসুং রেটিং কম্মিটিনা কুপ্পা থিগৎপগী থৌওং চথৈ। ক্রেদিট কম্মিটিনা রেটিং কম্মিটিদা প্রেসর পীদুনা মরম চাদবা মওংদা লোন পীহনবা ঙমদে। আই দি বি আইগী চ্যেরমেন ওইরম্বা যোগেশ অগরৱালগী উকিলনসু বেঙ্ককী ওফিসলনা অরানবা মওংদা লোন পীখি হায়বা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি।

# 'মাঙখ্রবা দিফেন্স পার্সনেল ৭৪ পাকিষ্টানগী কষ্টদিদা লৈরম্বা য়াই'

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী):
থিবা খঙখিদ্রবা দিফেন্স পার্সনেল ৭৪ পাকিষ্টানগী কষ্টদিদা লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স ভি কে সিংহনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা কয়ারক হন্না পাকিষ্টানগা ৱারী শানখ্রবসু দিফেন্স পার্সনেলশিং ফাজিন্দুনা থল্লি হায়বা ৱাফম ময়েক শেংনা ফোঙদোরকপা লৈখিদে।

রাজ্য সভাদা ঙসি ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ভি কে সিংহনা হায়খি, কুমজা ২০০৭ তা মাঙখ্রবা দিফেন্স পার্সনেলশিং অদুগী মরী-মতাশিংনা পূনশিল্লগা শেম্বা কম্মিটি অমনা পাকিষ্টানগী জেলশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখি। অদুবু মীওইশিং অদু লৈরম্বগী খুদম থেংনখিদে।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক পাকিষ্টানগী জেলশিংদা ইন্দিয়াগী মীচম ৬১ অমসুং ঙামী ১৪৭ লৈরি।

অমরোমদা, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফ্যেয়র্স কিরেন রিজিজুনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিষ্টানদা লৈরিবা মীশীং য়ামজদবা ফুরুপকী মীওই ১,২০০ হেনবনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইজগে হায়না হায়জরকপা লৈখ্রে। পাকিষ্টানি ১২,৮০০ নসু লোং টার্ম ভিজা (এল টি ভি) পীবীনবা হায়জরকখি হায়রি।

এক্সটর্নেল এফ্যেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ইমিগ্রেসন, ভিজা এন্দ ফোরেন্নরস রেজিষ্ট্রেসন এন্দ ট্রেক্কিং (আই ভি এফ আর টি)গী মতুংইন্না কুমজা ২০১৬ তা পাকিষ্টানি ১২,৮০০ না লোং টার্ম ভিজা পীবীনবা হায়জরকখিবগা লোয়নননা পাকিষ্টানি মাইনোরিটি ১,২০০ না সিটিজনশিপ পীবীনবা হায়জরকখি।

রাজ্য সভাগী ৱাহং-পাউখুম মতমদা অইবা ওইনা পীখিবা পাউখুমদা কিরেন রিজিজুনা হায়খি, পাকিষ্টানি মাইনোরিটি মাইগ্রেন্টশিংদা ইন্দিয়াগী সিটিজন পীবগী থৌদাং পুম্নমক ষ্টেট ৭ কী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা শীন্নখ্রে।

কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ৩১ মমাঙদা বাংলাদেশ অমদি পাকিষ্টানগী মীশীং য়ামজদবা ফুরুপকী মীওই কয়ামরুম মীওৎ-মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকখি। পাসপোর্ট এন্দ ফোরেন্নরস এক্টকী মখাদা হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়রিবা মীওইশিং অদু চঙলকপা অমসুং লৈবাক অসিদা লৈবগী থৌওং পুম্নমক কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, অমন ২০১৭ ইন্টর-নেসনল নেভেল এক্সর্সাইজদা শরুক য়ানবগীদমক রসিয়াগী এন্টি সবমেরিন অমা পাকিষ্টানদা থুংলখ্রে।

কারাচি পোর্টতা লৈবা পাকিষ্টানগী নেভি বেজদা হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা নেভেল এক্সর্সাইজদা রসিয়াগী এন্টি সবমেরিন জহাজ অদু শরুক য়াগদৌরি। অতোপ্পা লৈবাক ৮সু থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি হায়রি।

TODAY
Ticket Rate
Rs.1000/- ATTRACTIVE PRIZES

HOUSIE BUMPER DRAW

in aid of
Jyotirani Home Centre
Regd no. 628/SR/IW/2008

TODAY
Ticket Rate Rs.1000/-

HOUSEFULL

1st Housefull 1 Lacs

2nd HOUSEFULL ₹50,000/-
3rd HOUSEFULL ₹50,000/-
4th HOUSEFULL ₹50,000/-
5th HOUSEFULL ₹40,000/-
6th HOUSEFULL ₹40,000/-
7th HOUSEFULL ₹40,000/-

2 Ticket
Quick 7
Rs.30,000/-

NGANA PAID TOUBA
TICKET KHUNDINGDA
GIFT AMAMAM PIJAGANI

Mini Bumper
Ticket Rate - Rs.250/-

1st HOUSEFULL ACTIVA 3G
2nd HOUSEFULL HONDA Pleasure

Date & Time: 10th Feb. 2017 (Friday) at 3 p.m
Venue: MATA Cinema Hall, Singjamei

HL-P/0998/10

MANIPUR SCIENCE AND TECHNOLOGY COUNCIL
CENTRAL JAIL ROAD, IMPHAL – 795001
Tele : 0385-2460037/2443451; Fax : 0385-2460037, e-mail : mastec@nic.in

NOTIFICATION
Imphal, the 5th January 2017

No. 5/438/2016-MASTEC : Applications in prescribed format are invited from individuals of Manipur for **State Science Communicator Award 2017**. The award has been instituted to recognise outstanding efforts and achievements in communicating science & technology and promoting scientific attitude among the people. Individuals who have made extra ordinary contributions in the field of science & technology communication over the last three years will be considered for the award. The value of the award is Rs 10,000/- + Citation + Memento. The award will be distributed on February 28, 2017 in the Celebration of National Science Day 2017.

The application forms and guidelines may be collected from the office of the undersigned. The duly filled in application forms must be submitted on or before February 18, 2017. Further details may be had from the office of the undersigned.

Sd/-
Th. Surendranath Singh
DIRECTOR

HL-P/0991/10

MANIPUR SCIENCE & TECHNOLOGY COUNCIL
CENTRAL JAIL ROAD, IMPHAL- 795001
Tele fax : 0385-2460037, Phone : 2443451, E-mail : mastec@nic.in

Ref. No. 5/451/2016-MASTEC/301 Imphal, Feb. 8, 2017

"Sci-connect" Science Quiz Competition
- Invitation for participation

Vigyan Prasar - an autonomous institute under Department of Science and Technology, Govt. of India and Manipur Science & Technology Council (MASTEC), Imphal are going to organize a Young Talent Program "Sci-Connect" specially for the North-Eastern states of India. The students of class VIII or IX are eligible to participate in the programme. They can register themselves on or before 28th February 2017. The filled in forms may be submitted online to the E-mail : mastec@nic.in. The language of program will be English. Principals / Head Masters/Teacher in charge of schools/ Interested may collect brochure and materials (DVDs) from the office of MASTEC at Central Jail Road, Imphal for dissemination of information to their students.

Details can be obtained from the office of MASTEC or its website www.mastec.nic.in or Vigyan Prasar web site www.vigyanprasar.gov.in.

Sd/-
Th. Surendranath Singh
DIRECTOR

HL-P/0990/10

টৈংঙাৰোঁ/ লায়েংজরি
UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3644/03/02-02/03